## এডিটোরিয়েল

# মণিপুরদা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা

মণিপুরদা পুন্না খুন্দা–লৈতারিবা চীং অমসুং তমগী মীশিং অসিগী চাদা ৮০ দি লৌউ–শিংউগী লম্বীদা হিংনবা হোৎনরিবা কাঙবুনি হায়না ষ্টেট অসিগী মনুং চনবা তমেংলোং কেন্দ্রগী এম এল এ শামুয়েল জেন্দাইনা ফোঙদোরকখিবা অসি য়াম্না চুম্বা ৱাফম অমনি। অদুবু হায়রিবা লৌউ–শিংউগী লমদা হিংনবা হোৎনরিবা লৌমীশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাথোক লৈনা মীয়ামদা এগ্রিকলচরেল প্রদক্টশিং পীরিবা নৎত্রগা পুথোক্লিবা কাঙবুশিং অসিগী অয়াম্বা মীওইশিং করম্বা মণিপুরগী মফমশিংদা লৈবগে হায়বসিমদি ময়েক শেংদে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা লৌমীশিংগী হক অসি খুন্নাইসিদা লৈরিবা মীয়াম্না শক খঙদনা লৈবদৌনা ফোঙদোরকপা ৱাফম অসিনা তাকপদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৌমীগা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী অসি খঙদে হায়বা অসিনি। য়াম্না মরুওইবা মণিপুর মীয়ামগী ষ্টেপল ফুদনি হায়না লৌনরিবসি চেঙনি। চেঙ হায়বসি ফৌগী পোখোক হেনগৎহনবগা মরী লৈনবা অমনি। মসি ওইবা তারগদি লৌউ–শিংউদা ফৌ থানরিবা লমগী শরুক অসি অয়াম্বনা তম্পাক্কী লমদনি অমসুং মসিদা পোখোক লৈনা পুথোক্নবগীদমক দবল ক্রোপিংদগীনা ট্রিপল ক্রোপিং ফাওবা চথবা লৌবুক কয়া অমা লৈরি। মসিনা ফৌথোক লৈবা অমদি চাথোক লৈবগী মতাংদা ওইরবসু লৈঙাক্না লৌউ–শিংউ তৌরিবা মফমশিং অসিদা তঙাইফদবা ঈথৈ–খোঙলম্নচিংবগী খুদোং চাবা কয়া অদু পীনবা হোৎনরিবরা নৎত্রগা পীখ্রবরা হায়বসি হংবা য়াই। মমাঙদগীসু ঈথৈ–লৌখোংগী খুদোংচাবা লৈতবদগী চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবনি হায়বসি লৈঙাক অসিদা হঞ্জিন–হঞ্জিন পাউ–চেশিংনা খঙহনখ্রবা ঙাক্তনি। তৌবতবু লৈঙাক পুরিবশিংনা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা খোঙ্গ্রাই শৎতুনা লৈরিঙৈদা থবক্তা ওহ্নোকহৌদবগী ৱানি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি লৌমীশিংগীদমক খনবা মীহুৎশিংনা লৌমীশিংগী পোখোক য়োনফম থিবগা লোয়ননা ৱানা শুজ–নোমজরিবা লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোৎলমশিং অদু চপ চাবা মমল পীদুনা লৈনবা হোৎনরি।

অসিগুম্বা থৌশিল অসি ষ্টেটসিদা ঙসি ফাওবা মথং মথং পাল্লকখিবা লৈঙাকশিংনা পুথোরকখিবা অমদি মায় পাক্লা থবক্তা ওহ্নোকখিবা লৈতে হায়বসিসু য়াম্নমক চুন্নবা ৱাফম ওইগনি। মসিদগী লৌমী মীয়ামগা লৈঙাক্না লৈনবা মরী অসি লাপথোক্নরকপনি হায়বসি ঙসিদি অওনবা লৈঙাক অমা পুরক্কনি হায়রিবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাকসিনা খঙবা মথৌ তাই অমসুং মদুগীদমক তঙাইফদবা পোরমশিং অদু মীয়াম খঙনা য়াৎথাকপা অমদি মদুগী খুদোংচাবা পুম্বা হকথেংননা লৌমীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনফম থোকই। হায়রিবা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না খ্বাইদগী তঙাইফদবা লৌউ–শিংউগা মরী লৈনবা পোৎলম অসি ঈশিং হায়বসিনা ওইবনিনা তঙাইফদনা চহী চুপ্পা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহন্নবগীদমক নোংজু থাগী ঈশিং অসি হার্ভেষ্ট তৌরগা মতৌ করম্না তুংশিন্দুনা থমগদগে হায়বা অসিমসু খন্থবা তাই। মসিগীদমক ষ্টেট অসিগী ৱাটর বোডিশিং হায়বদি পাৎ–তুরেল অমসুং কম্যুনিতি পোন্দ হায়বদি পুখ্রিশিং অসি ফাওবা তঙাইফদনা অচৌবা ইরম–খোঙলমশিংগা লোয়ননা খোঙনুং তৌথোক্তুনা নিংথম থাদা ফাওবা লৌবুক্তা ঈশিং ফংহন্নবা য়োকহৌবা তাবনি। মদু নৎত্রিবমখৈ মণিপুর লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্লোই খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# চিনখক্না লাউববুদি খূৎ য়াওবনা ফৈ

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌজিক মণিপুর কৌবা লমদম অসিদা য়াম্না কুপ্পা খন্না নৈনমিন্নবা য়ারিবদি ঐখোয় কনা কনানো হায়বসিনি। মমাংঙৈদগী খংনরক্লিবসি মরোল খোইবা কাংবু হায়বদি চিংদ লৈগেরা তমদা লৈগের হাও হায়না খঙনরকখি। মতমদুদা কবুই, তাংখুল মাও মরাম অসুন্না কাংলূপ মচা ময়াম লৈজরগসু থেংনবা খুদিং মখোয়বু হাও হায়নরিবনি। মনাতোন শাংবা মমিৎ কুৎপশিং মখোয়সু মরোল খোইরিবনি অদুবু মখোয়না ময়াং হায়না খঙনরক্লিবনি। কুকি হায়বসিদসু পাসতে থাদৌ অসুন্না কাংলূপ কয়া পূনশিল্লগা কৌরিবসিগুন্না নাগা হায়বা অসিসু চপ মান্নে। তশেংনা নাগা কুকি হায়দুনা কাংলূপ কাংলূপ লৈরকখিবা নত্তে অশেংবদি শেমগৎখিবনি। হৌজিক মণিপুরদা লৈঙাক ফীদা ফমইবশিংনা ৱাখল মুন্না তৌবিদুনা মমাংঙৈদগী লৈরম্বা শক্তমশিংগা হৌজিক ওল্লকইবা খোংথাংশিং কুপ্পা নৈনবা দরকার ওইরি। থোং শাবা, লম্বী শেম্বা ওফিস শাগৎপা শেম–শাবদি অমরোমদা লাইরি হায়বা য়াই। হৌজিক লমদমসিদা চথরকইবা খোঙজং কয়া অসিদা করম করম্বা কাংলূপশিংনা করম করম্বা খোংজং চংশিন্বা হায়বসিদা লৈঙাক ফীদা ফমইবশিং খন্থবীরো। চংশিল্লিবা খোংজংশিং করম করম্বা হীরমশিংদা চংশিন্নগে হায়বসি কুপ্পা খন্থবীরো। মমাংঙৈদগী চেকশিনহৌদ্রবনিনা ঙসিদি মপান মীওইনি হায়বা কয়াসু লৈঙাক ফীদা ফমজিল্লক্কে। তশেংনা মখোয় মশানা খঙনা ঐখোয় মীতোপ্পি খঙজরবসু মশাগী ওইজবা ফংগদৌবনিনা পোক্নফম লমদমবুদি শাইদাং লমগী মমালৈবাক শাগৎলক্লি। কোকপা য়ারোইদবা মীতোপ ৱাহৈনা লৈতেংলগসু লৈঙাক মপু ওইরিবনিনা চাসি মরু হুন্দোকসি মতোং ওইরি। চিন্দ ইচিন ইনাওনি লাওরিবা মৈতৈ – মীতৈ হায়বশিংনদি মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বগী ডিমান্দা ঙাওজরি। অতোপ্পশিংনদি ঐখোয় তোঙান্না হিংজরগে, হোম লেন্দ পিগদবনি ডিমান্দ তৌরি। অঙম্বশিংনা তাঞ্জসিদদি চিন্নতা অদু অদা লোন্দুনা লৈবগী মহুৎ খূৎনা থবক পাইখৎপীরো হায়বা ৱাফমসি তপথফম থোক্তে।

অদোমগী
কে এস খুমন
ইম্ফাল

# শিদয়ায় নাদয়ায়

*ডাঃ যামিনী দেবী*

ভেলেন্টিনা টেরেস্কোভানা স্পেসতা পাইবদা ময়ান্না ঙক্লা য়েংনখি। অদুদগী হৌনা নুপী কয়ানা স্পেস টেক্নোলজিদা খুমাঙ চাওশিন্না শরুক য়ারে। হন্দক, হৌখিবা জুলাইগী তাং ২৩, ১৯৯৯ দা চন্দ্র এক্সরে ওবজার্ভেটরি থাগৎপদা য়ু এস এয়ার ফোর্সকী কর্নল এলিন কোলিননা কমান্দর ওইনা ময়াম্বু পুদুনা স্পেসতা পাইখিবদু নুপীশিংনা চাওথোকচনিঙাই ওইবা মায় পাকপা অমনি। বিজ্ঞাননা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না নুপীশিংসু অকল–অথৌগী থৌদাং কয়া লৌবা ঙমলকলি– আর্মিদা, নেভিদা, স্পেসতা। অসিগা লোয়ন–লোয়ননা হিরম অতৈ–অতৈদসু লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংদা নুপীশিংনা চাওনা খুদোল তম্বা ঙমলকলি। হিমালয় কাবী, সমুদ্র ঈরোইদুনা লানবী নুপী লৈরে। লাইরিক লাইশু হৈরবী নুপী কয়ানা মা–মানা হৈনজবা শিনফমদা চংদুনা, ওজা, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, উকিল, সোসিয়েল ৱার্করনচিংবা ওইদুনা সমাজদা খুদোল তল্লি। নুপীশিংনা য়ুমগী মপানদা থোক্তুনা সমাজগী চাওখৎ থৌরাংদা থৌদাং কয়া লৌবা ঙমলকপসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। মতম অমদদি নুপীশিংদি য়ুমগী থবক ইনখাং নোম্বা, মচা মশু য়োকপা, ঙাক শেনবা অদুতা তৌদুনা লৈনরম্বনি। মতমগী মতুং–ইন্না সমাজদা অহোংবা লাকপগা লোয়ননা নুপীশিংনা য়ুমগী থবকসু তৌবা অমসুং শেল থোকহন্নবগীদমক ওফিসতা অমসুং অতৈ–অতৈ ফার্ম ফেক্টরিনচিংবদসু থবক তৌবা হৌরকই। অসুন্না নুপীশিংনা থৌদাং অনিমক পাংথোক্নবা হোৎনবদা মমা ওইবীগী থৌদাং লৌবদা খরা মথৌ হল্লমাল্লে হায়না খন্নবা হৌরকই। অমরোমদা অমুক নুপী কয়া অমনা মখোয়না তৌরিবা থবক অদু হেন্না মচু তানা পাংথোকপা ঙন্নবগীদমকনি হায়দুনা মপুন্সি চুপ্পা ময়ুম পাল্লরোই হায়বসু য়াওনরক্তবা নত্তে। ময়ুম পান্দুনা মমা ওইরবী কয়ানসু ওফিসকী থবক হোৎনবদা মচাশিংবু নিংথিনা য়েংশিনদ্রে হায়না খন্ন– নৈনরক্লবনি।

পৃথিবী অসিদা মচা নুংশিদবা মমা লৈরমগনি থাজদে। চাগদৌমখৈ নুংশি হায়দুনা 'মচা' কৌবনি হায়বা পাউরৌ লৈ। মচাগী নুঙাইনবা অমসুং ফনবগীদমক্তা মমা অমনা তৌবা ঙমলোইদবা করিশু লৈতে। নুংশিবা মচা অদুবু খোল্লাং ইন্দুনা মচাবু য়োকখৎপা, চাওদম–শাংহনবা হায়বসি মমা অমগী চাওরবা থৌদাং অমনি। থৌদাং অসি মমা ওইবীশিংনা য়ুগ কয়াদগী পাংথোক্তুনা লাক্লিবনি। চাওখৎপগী থাক য়াম্না ৱাংলবা য়ুগ অসিদা থৌদাং অসি মমা ওইবীশিংদা নৌহৌননা নিংশিংহনবগী তঙাইফদবদু লাক্লি। মরমদি মমা কয়ানা মচাদা মশাগী খোম পিথকপগী মহুত্তা খুৎশেমগী শঙ্গোম পিথকপা অসি কন্না চৎনরক্লি। থবক তৌবী নুপীশিংনা মতম ফংদবদগী নত্ত্রগা মশাগী ফজবা ফিগর কায়হন্নিংদবদগী অশেম্বা শঙ্গোম পিথত্তুনা অঙাং য়োকপা কয়া য়াওনরক্লি। মসিনা অমরোমদা অঙাংগী থক্লবা শঙ্গোম মকুপ শেমদুনা য়োনবগী কারবার কনখৎলকই। অদুগা কারবারদা নমথাক য়াওদুনা অঙাংশিংগী মশাদা মাঙজহল্লকপা মওং কয়া অমা থোকহল্লক্লি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি অফবা নত্তে। ঐখোয়গী তুংগী জাতিগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা ঙসিগী পিকলিবা অঙাংগী য়ায়ফনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী, মরুওইনা মমা ওইবীশিংগী ইথৌনি। মসিগীদমক্তা সরকারনা আইন শেমদুনা থমখ্রে। নিংশিংবা য়াই– 'দি ইনফেন্ট মিল্ক সবষ্টিট্যুটস ফিদিং বোটলস এন্দ ইনফেন্ট ফুদস রেগুলেসন ওফ প্রদকসন সপ্লাই এন্দ ডিষ্ট্রিব্যুসন এক্ট' হায়বা অসি খুৎশেমগী শঙ্গোম য়োনবগী মতাংগীনি। খৃঃ ১৯৯৩ দা শেম্বা 'ইন্দিয়ান নেস্লেল কোদ ফোর প্রোতেক্সন এন্দ প্রোমোসন ওফ ব্রেষ্ট ফিদিং' হায়বসিনা মমানা মচাদা খোমলাং পিথকপগী মতাংদনি। অদুগীসু মথক্তা চহি খুদিংগী ওইনা আগষ্টকী অহানবা চয়োলবু পৃথিবী শিন্থুংনা 'ব্রেষ্ট ফিদিং ৱীক' (মমাশিংনা খোমলাং পিথকপা চয়োল) হায়না পালন তৌই। মসিগী পান্দমদি মমাগী খোল্লাং পিথকপনা অঙাংগীদমক্তঃ খ্বাইদগী ফবা তৌফম থোকপনি হায়বসি মমা ওইবীশিং অমসুং মীয়ামদা পাকতক্না খঙহনবনি। তশেংনসু মমাগী খোল্লাংদা অখন্নবা মখলগী ফেটি এসিদ য়াওই। মদুনা অঙাংগী মবুদ্ধি, মরৌশিং হেনগৎহল্লি। মমীৎ মনা শিংবা হেনহল্লি। মহৌশানা পিকলিবা অঙাংশিংদা নাকোং লাইখুলনচিংবা নাকোংগী লায়নানা মনা তাদবা অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মহৈ–মশিং তন্বদা মীমান্নবা ঙমদনা কয়া থোকহল্লি। হায়রিবসি মমাগী খোল্লাং থক্তুনা চাওরকপা অঙাংশিংদদি কয়া থোক্কন্দে। লোয়ননা অঙাংশিংদুনা মহৈ–মশিং তন্বদা মীথোয় মীহেনবা ঙম্মী হায়না অখঙ–অহৈশিংনা হায়রি। ব্রেষ্ট ফিদিং ৱীক পাংথোকপসি চহি চহিগী ওইনা অখন্নবা থিম অমমম থমই। থীম অসিগী মতুংইন্না মীয়ামদা ভাব তাহন্নবা শিক্ষা পিবগী তঙাইফদবা অদু তাকলি। অঙাংগী মশা ফহনবগীদমক মমাগী খোম পিথত্তুনা অঙাং য়োকপা হায়বসি খঙহন্নবা ফোর্মল অমসুং নন–ফোর্মল শিক্ষা পিবদা শোয়দনা য়াওহন্নবসু হোৎনগদবনি হায়রি। মতাং অসিদা মীয়ান্না খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম কয়া রিছার্চ তৌবা কাংবুশিংনা পুথোকলক্লি। মীয়ামদা শিক্ষা পিবা ওইনা বিছার্চ তৌবদগী পুথোকলকপা ৱাফম খরা মতাং অসিদা নৈনবা মতাং চাই। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা তৌখিবা রিছার্চ খরদি–

(ক) নিয়ুজিল্যান্দদা 'ব্রেষ্ট ফিদিং এন্দ লেটর কোগনিটিভ দিভলপমেন্ট এন্দ একাদমিক আউটকমস' হায়বসিগী মতাংদা মতম শাংনা রিছার্চ তৌরবা মতুংদা ফংলকপা রিজল্টকী মতুংইন্না মমাগী খোম পিথক্লকপা অঙাংশিংদি চহি ৮ অমসুং ৯ দা আই – ক্যু হেনগৎহল্লি অমসুং হায়স্কুলদা অৱাংবা থাক্তা মায়পাকপা ঙমই হায়রি।

(খ) পেরিসতা 'দি ইনফ্লুয়েন্স ওভ ব্রেষ্ট ফিদিং ওন দি ইনফেন্টস ইন্টলেকচুয়েল দিভলপমেন্ট' হায়বসিগী মতাংদা মমাগী খোম পিথকপা অঙাং ২২৯ অমসুং লিক্লিগী মতেংনা অশেম্বা শঙ্গোম পিথকপা অঙাং ৯৯ দা থিজিনবদা ফংবা রিজল্টতি খুৎশেমগী শঙ্গোম পিথকপা অঙাংদি উপ্পা, ফম্বা চৎপদা ফিষ্টে অমসুং মরৌশিং হষ্টে হায়বসিনি।

(গ) 'ন্যুরোলোজিকেল ডিফরেন্স বিট্যুন নাইনা ইয়ার ওল্ড চিলদ্রেন ফেদ ব্রেষ্ট মিল্ক ওর ফোরমুলা এজ বেবিজ' হায়বসিদা দচ্চকী থিজিনবা অমদা মমাগী খোম থকপা অঙাং ১৩৫ অমসুং খুৎশেমগী খোম পিথকপা অঙাং ৩৯১ গা চাংদন্নদুনা য়েংশিনখি। মদুদগী খঙবদি খুৎশেমগী শঙ্গোম পিথকপা অঙাংশিংদদি শিংলি বেরা লৈবগী চাং অসি শরুক অনী হেল্লি। অদুনা স্কুল তমলকপা মতমদা মখোয়গী লমচৎ অমসুং খঙ–হৈবদা বেরা লৈবা হেল্লিসু হায়রি।

(ঘ) 'ব্রেষ্ট মিল্ক এন্দ সবসিক্বেন্ট ইন্টেলিজেন্স কমেন্ট ইন চিলদ্রেন বোর্ন প্রিম্যাচ্যুর' হায়বসিদা ব্রটিশকী থিজিনবা অমগী রিপোর্টনা হায়রি মদুদি থা শুদনা পোকপা অঙাং অমবু নুমিৎ ২১ নি ফাওবদা ওইরবসু মমাগী খোম থকপা ফংজরবদি থকপা ফংদবা অঙাংশিংদগীদি চহি তরেৎ মখায়দগী নিপাল ফাওবদা আই–ক্যু অমসুং মবুদ্ধি মরৌশিং ফবা হেল্লি।

(ঙ) হন্দক্তা সুইদেনগী লন্দ য়ুনিভর্সিটীগী প্রেফেসর কেথরীনা স্বানবোর্গনা এক্সপরিমেন্ট তৌদুনা পুথোক্লকখিবা অমনা–মমাগী খোমদা কেন্সর লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা অমৃত য়াওই হায়বসিনি। মহাকতি লৌনগনবা লায়নাগী মরমদা খঙহৈরবা প্রেফেসারনি। মহাক্না 'গীনি পিগ' অমসুং উচিদা চাংয়েং চৌবদগী কেন্সরনা নারবা সেল অদু খোল্লাংদা লুপশিনবদা কায়রকপা থেংনখ্রে। চাংয়েং অদু মীওইবদা তৌরগা কেন্সর ফহনবা ঙম্বা হিদাক শেম্বা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু পিবা ঙমখ্রে।

থিজিনবশীং অসিদগী খঙবদি মমাগী খোল্লাংদি শিদায়ায়–নাদয়ায়নি। মমাগী খোল্লাংনা চাওরকপা মচাশিংনা মমাগী মফমদা লমন তোল্লবনি। অসুন্না হায়নৈ মৈতৈ পাউরৌদা – 'পুন্সিদা মচানা মমাগী খেম নামগী লমন শিংবা ঙমদে।' অদুবু খোম থোক্তবা মমা কয়াসু লৈ। মমা শিখিবা মরাইবক থীরবা মচা কয়াসু লৈ। অদুগুম্বদা ঈশ্বরনা থোকহনবীদবা ওইসনু।

# তিলহাৎ হিদাক্তগী থোক্লকপা খুদোংথিবশিং

*ডাঃ নিলিমা করাম*

(মমাঙ ইরাংইগী মখা)

করিগুম্বা মখল খরগী পেষ্টিসাইদশিংবু এন্দোক্রাইন্দা অকায়বা থোকহনবা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা আইননা য়াদবনা অমদি মহৌশাগী ওইবা মীওইবগী হকচাংদা থোকহনগদবা হোর্মোন অদু অচুম্বা মওং নত্তবদা ঙাইহাক্কী ওইবা মওংদা থোকহনবা (মিম্মিক হায়বদি করেম কথাইনবা নৎত্রগা মতৌ তম্বা) অদুগা এন্টাগোনাইজ হায়বদি খুদক্কী ওইনা নম্ফুদা হোর্মোন থোকহনবা অসিনচিংবা মরম ময়াম অসিনা হায়রিবা পেষ্টিসাইদশিং অসিগা মতম শাংনা ঈরোয়নরকপা অমদি মদুদা চাং য়াম্না নেম্বা ওইরবসু হায়রিবা মরম ময়াম অসিনা মীওইবগী হকশেলদা শোকহনবা, হায়বদি লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্কল শোম্হেহনবা, হোর্মোন পুথোকপদা অপন–অকায় থোকহনবা, বুদ্ধি লৌশিং থোকহন্দবা, চাদা নাওদা পুথোক্নবা হকচাংগী কয়াত্তা মওং কায়বা থোকহনবা অমসুং কেন্সর অসিনচিংবা থোকহল্লি হায়না লৌনৈ। থিজিনবা কাঙবুশিংনা চথবদা পেষ্টিসাইদা তত্তনা লোয়নবা অঙাংশিংদা আউটিম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর (এ এস দি) গী চাং অসি শরুক তরুক হেন্‌ন হেনগৎহল্লি। অসুম হায়না তৌদুনা য়ূমদা পেষ্টিসাইদা শীজিন্নবা মমা–মপাশিংগী মচা–মশুশিংনা পোষ্টিসাইদ শীজিন্নদবা ইমুংগী অঙাংশিংগা চাংদন্নবদা কেন্সর নাবগী চাং অসি শরুক অনী হেল্লি। অমরোমদসু পোষ্টিসাইদ চংলবা মনা মশিং অমদি উহৈ ৱাহৈ শিজিন্নবনসু অঙাংশিংদা মখোয়গী নিংশিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহনবা হায়বদি 'এটেন্সন দিফিসিট' হাইপর এক্তিভিটি দিসওর্দর (এ দি অইচ দি) হায়বা লায়ওং অসি ওইহল্লি। লায়না কয়ামরুম্থ হায়বদি মেলেরিয়া, টাইফোইদ, অসিনচিংববু মায় পাক্না লাকশিনবা ঙম্বা ওর্গানোক্লোরিন (ও সি) হায়রিবা ইন্সেক্টিসাইদশিং অসি টেক্নোলোজিকেল ওইনা চাওখৎলবা লৈবাক অয়াম্বদা ইং ১৯৬০ দগী হৌনা অখন্ননা চেকশিনবাগা লোয়ননা অথিংবা থমখ্রে। সং ১৯৬২ দা রাচেল কার্সোন্না 'সাইলেন্ট স্প্রিং' দা ইবা মতমদা পেষ্টিসাইদনা ঐখোয়গী হকচাং অমদি অকোয়বগী ফিভমদা শোকহল্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ান্না জ্ঞান তানবা ৱাফম ইরম্মী। অদুম ওইনমক হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা অশুম–অশুম হেনগৎলক্লি লোয়ননা মীওইবনা পেষ্টিসাইদতা এক্সপোজ তৌবদগী মরি লৈননা থোক্লকপা হকশেলগী সমস্যা থোক্লকপগী খুদম কয়া অমা থেংনরি। ইকুস কুইদ্রিঙৈদা থোকখিবা য়াম্না নুঙাইতবা থৌদোক অমদা বিহারগী সহারনপুরদা লৈবা স্কুল অমদা পেষ্ট্রিসাসদ তোৎলবা মিদ দে মিল চারুবদগী অঙাং ২৫ শিখি। থৌদোক অসিনা পেষ্টিসাইদ শুংবা, ষ্টোর তৌদুনা থম্বা, থাদোকপা হায়বদি দিস্ট্রিবুশন তৌবদা অকনবা চেকশিন তৌরাং তৌখৎনবগী মীকপ অমা থোকহল্লবনি।

ভারত্তা পেষ্টিসাইদকী রিগুলেশন (আইন)

আইন অমা লৈতনা অমদি মদুবু চৎনহন্দ্রবদি পেষ্টিসাইদশিং অসি ইকোম কোন্না অমদি ইরায় লায়না পাক শন্না শন্দোরকপা য়াই অমসুং মদুদগী নিয়ম লান্না শিজিন্নবদগী ওন্না তৈনবা ফল থোক্তুনা মীয়ামগী মরু ওইনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী হকচাং অমসুং হকশেলদা শোকহল্লি। ভারত্তা লৈরিবা পেষ্টিসাইদ ইন্দস্ত্রিশিংগী আইন শেমবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী এজেন্সি কয়ানা শরুক য়াদুনা হোৎনরি। মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরনা 'ইন্সেক্টিসাইদ এক্ট ১৯৬৮' অমসুং মসিগী মখাদা শেম্বা রুলিংশিংগী থোঙদা পেষ্টিসাইদ শুংবা, য়োনবা, মপান্দা থাদোকপা অমসুং ট্রান্সপোর্ট অমসুং দিস্ট্রিব্যুসনগী মতাংদা নিয়ম চুন্না রিগুলেট তৌদুনা হোৎনরি। "সেন্ট্রেল সন্সেক্টিসাইদ বোর্ড (সি বি আই) নসু টেক্নিকেল মেটরগী মতাংদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট সরকারশিংদা পাউতাক কয়া পীরি লোয়ননা হায়রিবা সেন্ট্রেল বোর্ড অসিনা পেষ্টিসাইদশিং শীজিন্নবা অমদি মহৈ–মরোংগী মতাংদা অনৌবা ফোর্মুলেসন্দা অয়াবা পীরি। অদুগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারনসু চিঞ্জাক য়াওবা পেষ্টিসাইদ রেসিদিউগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনবগা লোয়ননা রিগুলেট তৌরি। মিনিষ্ট্রি অসিনা চানবা চিঞ্জাকশিংদা য়াওবা য়াবা মেক্সিমম রেসিদ্যু লিমিটশিং (এম এল আর) অমসু শেমদুনা থম্মী।

ভারত্তা পেষ্টিসাইদ রিগুলেসনশিং অসি মখাগী এক্টশিং অমদি রুল অসিগী মখাদা চৎনহল্লি।

১. দি পেষ্টিসাইদ এক্ট, ১৯৬৮ এন্দ রুলস, ১৯৭১
২. প্রিভেন্সন ওফ ফুদ এডতেরেসন এক্ট, ১৯৭৪
৩. দি ইনভাইরোনমেন্ট (প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৮৬
৪. দি ফেক্টোরিজ এক্ট, ১৯৪৮
৫. ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ান ষ্টেন্দারদা এক্ট, ১৯৮৬
৬. এয়ার (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্লুসন) এক্ট, ১৯৮১
৭. ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্লুসন) এক্ট, ১৯৮১
৮. হজারর্দস ৱাষ্ট (মেনেজমেন্ট এন্দ হেন্দলিং রুলস), ১৯৮৯

অদুম ওইনমক ইং ২০০৮ গী এপ্রিলগী ২৪ দা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা পেষ্টিসাইদ মেনেজমেন্ট বিল ২০০৮ চৎনবগী অয়াবা পীখ্রে। মসিনা হৌজিক চৎনরিবা ইন্সেক্টিসাইদ এক্ট ১৯৬৮ অসিগী মহুৎ শীন্দুনা চৎনরগনি। বিল অসিনা থন্লিবা পান্দমদি ভারতকী লৌমীশিংনা ফংলিবা পেষ্টিসাইদশিংগী মগুন ফবা হেনগৎহনবা অমদি অনৌবা খুদোংথিংঙাই ওইদবা অমসুং ফংনিংলিবা পান্দম অদু য়ৌনা ফংবা ঙম্বা পেষ্টিসাইদশিং ইন্ট্রোদুস তৌননবা অসিনচিংবনি। বিল অসিনা ইম্পোর্ট মেন্যুফেকচর, এক্সপোর্ট, সেল, ট্রান্সপোর্ট, দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং পেষ্টিসাইদশিং শীজিন্নবগী মতাংদা য়াম্না ইফেক্টিব ওইবা রিগুলেসন হেন্না পুথোকনবসু হোৎনদুনা মীওইবদা, শা–উচেকশিংদা নৎত্রগা অকোয়বগী ফিভমদা শোকহনবা থিংনবা হোৎনবা লোয়ননা য়ূমদা শীজিন্নবা ইন্সেক্টিসাইদশিং চোয়না য়োনবগী লাইসেন্স কক্লবা অমদি পীদনবা থবক লৌখৎলি। মসিদসু নত্তনা বিল অসিনা নিয়ম থুগায়বশিংগী মথক্তা পীগদবা অমদি মদুনা অতৈ অতোপ্পশিংদসু খুদম অমা ওইগদবা দন্দিশিং পীনবগী মতাংদা মরালশিং হায়বদি ওফেন্সশিং য়াম্না কুপ্পা মখল পীরি। লোয়ননা মতম হেল্লবা পেষ্টিসাইদশিং লোইশিন্নবা হায়বদি দিস্পোজ তৌদুনা অকোয়বগী ফিভমদা শোকহন্দম্বা ৱাফম কয়াসু পল্লি।

ভারত সরকার অসিনা পেষ্টিসাইদশিংগী মেন্যুফেকচর প্রোসেসতা লাইসেন্স ককপা অমদি পীদবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল ইন্সেক্টিসাইদ লেবোরেটিসু লিংখৎলে। মসিনা মেন্যুফেকচররশিংনা মখোয়গী পোখোকশিং অদু শীজিন্নবগী মতাংদা অমদি প্রোপোজ তৌরিবা ৱাফমশিংবু কুপ্না য়েংশিন্দুনা পেষ্টিসাইদশিং অদুগী মতিক ময়াই হায়বসি পার্ফোমেন্স অমদি খুদোংথিবা, লোয়ননা মগুনশিং অদুগী মখল খায়দোত্তুনা প্রি এন্দ পোষ্ট রেজিষ্ট্রেসনগী থবকসু তৌরি। পেষ্টিসাইদশিং এনালাইসিস তৌবগী হিরমদা ষ্টেটশিং অমসুং য়নিয়ন টেরিটেরিশিংগী রিছোর্স হেনগৎহন্নবগীদমক্তা রিজনেল পেষ্টিসাইদ টেষ্টটিং লেবোরেটোরি অনি ছষ্টিগর অমসুং কানপুরদা অমমম লিংখৎলি। সরকারনসু অতোপ্পা পাম্বৈ অমসুং খুদোংথিবা থোক্তবা পেষ্টিসাইদশিং থিজিন্নবা (রিছার্স) থবক পায়খৎলি। "দিভলপমেন্ট এন্দ প্রদক্সন ওফ নিম প্রদক্সস এন্দ এনভাইরোনমেন্ট ফ্রেন্দলি পেষ্টিসাইদ" হায়বা মীংথোনবা প্রোগ্রাম অমসু কন্ত্রি প্রোগ্রেম ওইনা দিভলপমেন্ট ওফ কেমিকেলস এন্দ প্রোট্রোকেমিকেলসনা য়ুনাইটেদ নেসন্স দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী (য়ু এন দি পি) শেন্থুংগী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎলি।

কেমিকেল পেষ্টিসাইদশিংনা থোকহনবা ফত্তবা ফলশিংবু খঙলদুনা হায়বদি পেষ্ট রেজিষ্টেসন ওইরকপা পেষ্টীশিং মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্তুনা মথৌ অমুক হৌগৎলকপা (রিসজেন্স), সেকেন্দরি পেষ্টশিং শন্দোক্লকপা, চিঞ্জাক্তা শা–ষণগী মচিঞ্জাক্তা, নূংশিত্তা অমসুং ঈশিংদা রেসিদিউ (লেমখাক) য়াওদুনা মীওইবগী হকশেলদা খুদোংথিবা থোকহনবা অমসুং ইকোলোজিকেলগী খল কায়হনবা অসিনচিংবশিং অসিবু থিংননবা সরকারনা "ষ্ট্রেংথেনিং এন্দ মোর্দনাইজেসন ওফ পেষ্ট মেজমেন্ট এক্সপোর্ট ইন ইন্দিয়া" হায়না মীংথোনবা স্কিমগী মখাদা কলচরেল মেকানিকেল বাইকন্ট্রোল এজেন্টশিং অমদি ইন্দিজিনস ইনোভেসন্স পোটেন্সিয়েল শুনা য়াওবা ইকোফ্রেন্দলি ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট (আই পি এম) অমসু লৌখৎলে। হীরম অসিগী মতাংদা সরকারনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি ২৮ দা সেন্ট্রেল আই পি এম সেন্টর ৩১ অমসু লিংখৎলে।

ইং ২০১৫ গী ওক্টোবর ২০ ফাওবদা ভারত্তা শীজিন্ননবা পেষ্টিসাইদ মখল ২৬১ রেজিষ্টর তৌবা লৈখ্রে। মসিগী মনুংদা পেষ্টিসাইদ ২৮ না মেন্যুফেকচর তৌবা, মপান্দগী পুশিল্লকপা অমসুং শীজিন্নবা থিংখ্রে অদুগা পেষ্টিসাইদ মরিগী ফোর্মুলেসনসু শিজিন্নবা থিংখ্রে অদুগা পেষ্টিসাইদ ২ গী ফোর্মুলেশন শিজিন্নবা থিংখ্রবসু মপান্দা থাদোক্নবগীদমক্তঃ মখা তানা মেন্যুফেকচর তৌরি অমসুং পেষ্টিসাইদ অমনা শুংবা, শিজিন্নবদগী লৌথোকখ্রে।

এগ্রিকলচরেল পেষ্টিসাইদশিং নীয়ম লান্না কা হেন্না শিজিন্নবা থিংনবগী খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈদি এদ্যুকেসন পীবনি। অয়াম্বা লৌমীশিংনা হায়রিবা পেষ্টিসাইদশিং অসিগী খুদোংথিবশিং অসি খঙলবদি মখোয়না পেষ্টিসাইদশিং শিজিন্নবদা হেন্না চেকশিনবা মসিবু কাপথোকপা মতমদা খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্নবা ফিজোলনচিংবসু শিজিন্নগনি। দিভেলপ্পিং ৱার্ল্ড অসিদা অখন্ননা পুক্লিং চিংশিনবগী দরকার ওইরিবদি মখোয়গী ইনকম অমসুং শেলথুমগী মরু ওইবা সোর্স অসি মপুং ওইনা লোউ–শিংউদা তাংজরি। অদুগা কঞ্জুমরশিংনসু ওর্গনিক্কী পাম্বৈনা পুথোকপা পোখোকশিং হায়বদি পেষ্টিসাইদ শিজিন্নদবা পোৎলমশিং খন্দুনা শিজিন্নরবদি এগ্রিকলচরেল পেষ্টিসাইদ চাবদগী থোকপা খুদোংথিবশিং অদু হন্থহনবা ঙমগনি।